# "সেন্টর লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দা-!"

- এল ইবোমচা -



কুকিশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হেক ফংখিবদা বোর্দর ফেন্সিং খাবা, এন আর সী চৎনবগী ৱাহন্থোক লৈরোই অমদি মণিপুর অসি তম্পাক্কী লম অসিদং ওইহৌগনি। অদুগা কুকি হোমলেন্দ, কুকি ষ্টেট অমা ওইরক্নবগী কৈরাক কাফম্নি খনবা য়াই। মিজোশিংনা মিজোরাম ষ্টেট মতৌ করম্না ফংখি হায়বদু চাম্মরক হন্না খন্নরবা মতুংদা কুকিশিংসু কুকিলেন্দ ষ্টেট অমা ফংনবা হোৎনরকপনি। অদুগা কুকিশিংনা মরু ওইনা খল্লিবনা হৌজিক হৌজিক কুকিলেন্দ ফংদ্রবসু মথংগী জেনরেশনদা কুকিলেন্দ ফংনবা কৈরাক অমা থাদুনা থম্বীরম্বনি। মরম অসিনা হৌজিক্কী মীরোলগী কুকিশিংনা তুংগী মীরোল ওইহৌগদবা নহা ওইরিবা কুকিশিংদা তৎতনা হায়বা ৱাহৈ খরদু নীংশিংমিন্নবা য়াই মদুদি - "ঐখোয়না ঙসি শিবা কিদনা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারিবা অসি নখোয়গী তুংগী পুন্সি খুয়া তুশিৎনা লৈজহৌনবনি" হায়বদি হৌজিক্কী কুকি মীরোলনা মতুংদা লাক্কদবা কুকি মীরোলশিংবু নুংঙাই-য়াইফনা নে-তানা লৈজহৌনবা কুকিশিংতগী ওইবা কুকিলেন্দ কন্ত্রি অমখক শেম্বীদুনা থম্বীরম্নবগীনি। মসি নৎত্রবদি মপোক মপোক খুদিংদা কুকিশিং অসি মীতৈশিংগী মীনাই ওইদুনা লুখাক-চগুম চাদুনা, খোংবাল-লুকপান শেংদুনা লৈহৌরগনি হায়বসিনি।

কুকিশিংনা আশা চাউনা খঞ্জরিবদি ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখল লোইখ্রে। হন্দক অমুক হন্না মখোয়গা য়ান্নবা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা, অমিট শাহনা হোম মিনিষ্টর ওইবা এন দি এ লৈঙাক লাকখ্রে, য়োৎকী মখূৎ পানবা গ্লোবেল লিদর অনীনা ইন্দিয়াদা লৈঙাক পায়রিঙৈসিদা কুকিলেন্দ ফংহৌদ্রবদি মথং অতোপ্পা লৈঙাক অমদা আশা তৌনীংঙাই লৈতে হায়বা অসিনি। হৌখিবা চহী ১০ অসিদা মমাঙগী লৈঙাক্না পীবা স্পেশল ষ্টেটস ফংদুনা নীংতম্না লৈরকখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেশন এক্ট, ২০১৯'না য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী থোক্না খাইবোক তাহনখিবনি। অসুম্না মণিপুরদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগুম্না স্পেশল ষ্টেটস ফংবা ষ্টেট নত্তবনিনা অমিট শাহনা য়ানীংবগী খূৎকাপ্পী অমুক্তং কাপ্পদা মণিপুর খাইবোক অনী তাহনখিদুনা চীংগী শরুকশিং কুকিলেন্দ ফংবদি শোয়দ্রে। হান্নদগীসু হৌদুনা মখোয়গা অমিট শাহগা অফবা মরী লৈনবনা অমিট শাহনা কুকিলেন্দ কন্ত্রি অমা শেম্নবা থৌরাং য়াৎলক্কনি হায়বসিদা কুকিলেন্দগী মঙ মঙদুনা লৈনরি।

মতাং অসিদা মীতৈশিংনা হায়রিবনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি কম্যুনেল রাইওট কনফ্লিক্টসু নত্তে, মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবগী মায়োক্তা হৌরকখিবা ঈহৌদগী থোক্লকখিবসু নত্তে, কুকিশিংনা মখোয়গী মতম কয়াগী মমাঙ-মমাঙদগী মঙলকপা কুকি হোমলেন্দগী মঙলান অদু মঙফাওনবা মণিপুরগী মীশিং য়াম্বা ফূরুপ ওইরিবা মীতৈশিংদা অতম্নবা লান্দারকপনি হায়বসিনি। মসি পূন্নমকসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশা খঙনা খঙনা কুকিশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তাল্লুবদগী থোক্লকপা লাননি হায়দুনা লান্না হায়জিন্দুনা মীতৈশিংবু অরানবা তাহনবনি, হীরম অসিগা মরী শুক্লে লৈনদে হায়বনি। তশেংনা করিগুম্বা মরী লৈনরম্বা থোক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা ত্রাইবেলশিং হৌরক্তুনা মীতৈশিংগী মথক্তা অকনবা মওং অমদা লান্দারক্লমগনি। অতৈ ত্রাইবেল ফূরুপ অমত্তা য়াওদনা কুকি ফূরুপ খক্তনা মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসিনা তাকপদি কুকিশিংনা মণিপুরদা কুকিলেন্দ শেম্নবা লান্দারকপনি হয়বসি অদুমক ময়েক শেংনা তাকচরে হায়বসিনি।

তৌবদি মীতৈশিংনা ঙসি লান নংলিবা অসি কুমজা ১৯৬৭ তা বর্মিজ আর্মিনা কবো ভেল্লিদা লৈরম্বা কুকিশিংবু শৃৎ-নান্না তকথোরকপগী ওপরেশনদা মণিপুরগী মোরেদা খরা অমসুং তেংনৌপলগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দাশিন্দুনা লৈশিল্লকপা মতমদা অথিংবা পীহৌদবা মদুসু অচৌবা মরম অমনি। মোরেদদি ম্যান্মারদগী ইনৌ নৌনা চঙলকপা কুকিশিংনা কা হেন্না মশীং য়ামখৎলকপদগী হান্নদগী লৈজরক্লবা নাগাশিংবু কুমজা ১৯৯২/৯৩দা মোরেদগী শৃৎ নান্না তান্থোরকখি। ৱাহেংবম নিপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতম কুমজা ১৯৯৭/৯৮দা কুকি -পাইতে অনী লান শোক্লখি। চহী অমা চুপ্পা শোক্লবা লানদা মীওই ৩৫৩ শিখি, মীওই ১৪৩ অশোক-অপন নংখি, মীওই লিশীং ১৩ হেন্না লাঞ্জেন্নখি, য়ুম লিশীং অমগী মথক্তা মৈ থাখি। অদুগা জুন ২৪,১৯৯৭তা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা জোমি মীওই ১০বু পরেং শানা লেংহল্লগা হাৎখি, খরা অমনা অশোক-অপন নংহনখি। মসিগী নোং হেক ঙানবদা চুড়াচান্দপুরদা কুকি-পাইতেগী ঈরাংদু লাকখিবনি। চুড়াচান্দপুরদা কুকি-পাইতেগী অকনবা লানফম ওইখি। কুকি-পাইতে অনীমক ম্যান্মারগী চিন ষ্টেটতগী মণিপুরদা চঙলকখিবা ঙাক্তনি। ফূরুপ অনীমক নোমেদিক নেচর লৈবা ঙাক্তা ওইবনা ৱাখল খন্থবা ঙম্নদে, মকোক ওইবা লোইনমক পাম্নে অমদি অপাম্বা অনীংবনা মাঙ থারগা চৎপা ফূরুপ ঙাক্তনি।

তৌবদি মীতৈশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মখোয়গী অপঙবা অমদি ইচম-চম্বা মানবা শকওং-শক্তাদুদা মখোয়সি নোমেদিক নেচর লৈরবা ফূরুপনি হায়বসি মতম কুইনা শাংনা নীংশিংলুদবনা ঙসিগী লান অসি মীতৈশিংদা নংলিবনি। মতম কুইনা নীংশিংলুদবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিদি মণিপুর মথক-মখা ওল্লে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মতমদা কুকি ওফিসরশিংনা মীতৈ ওফিসরশিংদা সার-সার হায়না কৌরগা লৈঙাক্কী অরোন-অথুপ, অচিৎ-অকোম পূন্নমক খঙদোক্লল্লে। সেক্রেটরিএট ওফিস মথক-মখা ওন্থোক্লল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরা লৈখিবা অসিনা লেঙদ্রবা খুদম্নি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী ওফিসর অমনা কুকিগী অঙাংশিংনা তম্লিবা লাইরিকশিংদা ঐখোয়নদি করি হায়রিনো খঙদবা মখোয়গী লোলদা মণিপুরগী পুৱারী পূন্নমক মথক-মখা ওন্থোক্লগা তমহল্লল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু তাখিবা লৈখ্রে। অদুগা মতম অমগী কুকি এম এল এ, মিনিষ্টর ব্যুরোক্রেট ওফিসর ময়াম মান্নরগা মীতৈ এম এল এ, মিনিষ্টর, ব্যুরোক্রেট ওফিসর কয়াদা সার-সার হায়না কৌরগা কাংপোকপীদগী বিষ্ণুপুর ফাওবদা লৈরিবা তম্পাক্কী চীং মচা মচাশিংসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা য়াওশিল্লল্লে হায়না লান অসি থোক্লক্লবা মতুংদা য়াম্না কন্না ঙাঙন-শক্লরকখিবা অদুসু অমনি।

মসি পূন্নমক শৃৎ-নান্না খঙলবা মতমদুগী চীফ মিনিষ্ট এন বিরেননা লান অসি থোক্ত্রিঙৈ খরা মমাঙদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মণিপুরদা অচৌবা লাঞ্জাও অমদি শুংশোয় শোয়দনা থোক্লগনি খঙবদগী 'সেক্রেটরিএটতা ফম্লিবা কুকি ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংদা এন জি ও তৌগে হায়রগা তৌরো, পোলিটিক্স তৌগে হায়রগা পোলিটিকেল পার্টি অমদা মিং চল্লগা ভোট লেপ্পবা হোৎনরো, লৈঙাক্কী থবক থাদোকপীরো (কুমজা অমদি তারিখতি নীংশিংবা ঙমদ্রে) হায়না হায়খিবা ৱাফম অদু মীয়াম পূন্নমক্না নীংশিংমিন্নবা কান্নগনি খল্লি। অদুনদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশানা লান অসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মাগী মতমদা শোয়দনা থোক্লনি হায়বসি মাঙজৌননা খঙদুনা লৈরবনা মীহুন চেঙ্গুম চেঙ্গাননা লৈরকপা কুইরক্লে তাকই।

অদুনদি লানসি কাঙলূপকী লান নত্তে, কুকিশিংনা কুকিলেন্দ কন্ত্রি শেম্নবা লম মপু মীতৈশিংদা লান্দাবনি। অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুরগী চীংগী লমশিং অসি মণিপুর নিংথৌগী মখাদা লৈরমদে হায়না পুৱারী নাথৈরগা অকি-অখং লৈতনবা হায়জিনবনি। মদুদা মণিপুরগী চীংগী লমশিং অসিদগী হেন্দোরক্তুনা হৌজিক্না ম্যান্মারগী লমদম ওইখ্রবা কবো তম্পাক ফাওবসি মণিপুরগী লম ওইরম্মী হায়বা শৃৎ-নান্না খঙলবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাদুনা লৈবনি। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না শম্না মফৈ অমা ফাওবগী চাংদা মণিপুর নুংশিদে হায়বগী খুদমনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা তশেংনা মণিপুর নুংশিবা ওইরম্লবদি লান অসি নহান্না লোইরম্লগনি। হায়বদি লান অসি হেক হৌরকপদা হোম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরনা দেল্লীদা লৈনা লৈনা ইন্দিয়াদা কাঙলূপ ফূরুপকী ওইবা ষ্টেট, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি শেম্বদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা অয়াবা পীদবনা কুকিশিংনা কুকিলেন্দগী মঙ মঙবা খুদক্তগী তোক্কদবনি হায়বা ৱাহৈ খরসি লাউরকপদা কুকিশিং মখোয় মখোয়গী হান্না-হান্নগী মখুন মখুন্দা চঙনখিদুনা নহান্না লান অসি লোইরম্লগনি। মসি হায়দ্রিবা অসিনদি মনুংদা করি করম্বা "সেন্টর লৈঙাক্কী অরোনবা এজেন্দা-!" লৈরিবনো হায়বসি মীতৈ মীয়ামগী অচৌবা ৱাহংনি। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৮

- বীমোলচান্দ লাইশ্রম -

ফুগায়না শাৎপা লৈ অমগী ফজবা শীংথাবগী লোইবা নাইদে। কবি কয়াগী পূক্লিং মরাং হৌনফমনি, অশৈবা কনাগী শুরগী ইপোম কারকফম্নি। লমহেনবা খোইমু কয়াসু ঙাওনা-ফৈনা লৈরাংগী লৈকা তম্না- লৈরাংগী লৈহী থিনরক্কনি। মসিবু তাইবঙগী লোনচৎলা, মহৌশাগী মতৌরা নৎতা নৎত্রগা ৱারকফম খঙদবা থম্মোয়গী ইথিলনরা? হায়ফম খঙদে। অনুপমাগী ফজবনা ঙাওহনবা মীওই মশীং য়ামখৎলক্লে। মঙাও থীবা পাখঙশিংনা 'অস! খুফজসিদি, মপু পাল্লমদবা হৌনদেদা' হায়রম্লগা তূমিন চৎখিনি। অহল ওইবী কনানা অসিগুম্বী ইমৌ অমত্তং লৈজরদি - মীয়াম মাঙদা লেন্না-লেন্না চৎনিংখ্রেদকো শোন্না-শোন্না, 'নুঙাই-য়াইফ ইমুংগী মচা ওইরম্নিনে, ইমৌ ওইনিংই কৈদৌরুনি, থিক নেম্বনা থা লাম্বা থোক্কনি' শোন্ন-শোন্না চৎখিনি। ফজরুবগীসু উকল লৈবজাৎনি। অৱাৎপা লৈত্রবী অনুপমাগী রাশিনরা খঙদে, মপু মাগী থৌজালনরা খঙদে ঙসি ঙসি ফাওবদি কনানসু অনুপমাগী পূক্লিং ৱাই চিলহন্দ্রি। হোয়, মরক-মরকপুদি মশাবী রাজেসপু খম্বঞ্জবগী অদুক মিৎলু পিরাং ইহৌরকপবুদি ময়াওই। মদুনা নুংশি মচৎনি মহায়রসি। মপুগী নোংদম, লাইবক্কী নোংদম মান্ন-মান্ননা চৎনরদি নুংশি ৱারীদা অৱাবগী পোলোই লৈরম্মোই, নৎত্রনে? ওইসু ওইদসনু।

রাজেসসুনি। মরম ওকপা, মমানা হায়বা ইনবা, লোয়ননা থৱায়দগী হেনবী, মশক চঙখোল্লবী লৈশাবী অমগী লিচিংনা হেন্না ৱাশক চেৎখিদুনা মশাগী পূন্সিগী মশক খঙখ্রে। চৎকদবা পূন্সিগী লম্বেলসু শঙ-শঙ উখ্রে। হেন্না মগুণ লৈরিবনা তৌথোরকপা খুদিংদসু মীপূম খুদিংনা ফিদম্নফম ওইবা, মশাদা য়াওজরকপা মগুণতনা তৌরুবা খুদিং ফিরাল মমায় চুল্লি। মোং-হাদনা শক্তোরকপা মাগী ঈশৈদা নহা নুপী/নুপা কয়াগী থম্মোয় মথক-মখা ওলহনবসু অদুম ঙল্লি। লোয়ননা অনুপমানা নিরুদনা পীরকপা থৌনা কয়ানা ঙসিদি রাজেস মপূং ফাবা মী নোংম-নোংমগী ওইখৎলক্লি। মরম ওকপা, লাইরিকসু হৈবা, জগোয়-ঈশৈসু হৈবা, মরলসু পায়বা লাইগী মচাগুম্নসু মশক ফজবা রাজেসপু উরুবদা মফম খঙদা থম্মোয় পীথোক্লগে হায়বী লৈশাবী মশীং য়াম্লক্লি।

ময়া ওইজনীংবা- লৈশাগী মমা কয়ানা মচা নিঙোলদা অসিগুম্বা পাখঙ থিবা হৈতে হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন চৈবীরি। মমা ওইবীশিংসি মরিংগী শঙবাই নাম্মা হাঙদে কাউথোকপগুমই। ওইরম্বসু কনানা খঙবা মচা নিঙোলগী পূন্সি খোঙলোয়দি অফবা, ফজবা ঙাক্তা ওইহন্নীংই হায়নবদুমক।

নোংমদি ইথা থাজদনা এদ্যুকেশন মিনিষ্টরদু অয়ূক অমা মনাই-মশল, এস্কোর্ট য়াওনা অনুপমা হোয়দা ফুং ফাওরকই। অনুপমাগী মমাসু, মপাসু লৈবা তাঞ্জা হেক থোকই। কৌশিন্দুনা দ্রোইং রুমদা ফম্মিন্নখি। ৱাফম্না মচানুপী অনুপমাবু মমৌ ওইজরগে হায় মান্নে। য়াম্না শম্না মপানা হায়খিমান্নে,

"কদাইদগীনোদা সার, ইচানুপী অঙাং য়াম্না ওইরি। চান্দিগড়দা মহৈ মখা তম্লুনি হায়না চৎকদবা নুমিৎ লেপখ্রে। এম এ লোইরগা মখা-মখা ময়াম অমা তমথরগা কোলেজগী প্রোফেসর ওইনি কন্না হায়রি..." ক্বালিফাই ওইখ্রবা আই এ এস ওফিসর অমগী তুবৎ শম্বা পাউখুমদুদা মিনিষ্টরদু ৱা মখা তাখিদ্রে, কোন্না অমুক পাউ ফাওনরসি হায়রম্লগা ফৎ চৎখ্রে। মচানুপীনা চা পুথোরকপদদি কনাসু লৈরমদ্রে। ঙক্লা- "পপা কৈদৌরে, নঙনা তানখ্রিরা?"

"হোয় মদুম্মক হায়বা য়াই, হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবা লাক্লিনি। ইচাবু মমৌ ওইরগে হায়রিনিনে"

"পপানা করি হায়খ্রিবা?"

"হংখ্রেদা! য়াম অঙাং ওইরি, মহৈ তমখিনি, চহী ৫/৬তি চঙখিনি। কোলেজগী প্রোফেসর ওইখিনি হায়খ্রে।"

"শকসু তাখৎখ্রবনি, মিনিষ্টরগী মচানুপাদু, কল্লক্তুম পেল্লি, পপা ঐ ঙা লৈরুগে ঙা থোংবা চাসি ঙসিদি"

"ইহে- ঙা থোংবা হায়রগা খঙনীং নীংশিংলকই; আ..." হায়রগা মচানুপীবু য়েংনা-য়েংনা নোক্তুনা লৈখ্রে।

"কৈনো পপা, আ... হায়রগা নোকইদুবো, হো করি হায়গে তৌবনো"

মমানা তফিং-তফিং থোরক্লগা- "ঙসিদি নঙগী বোইফ্রেন্দগা মমাগদু ঐখোয়দা চাক পীজসি হায়বনি নপানা, ময়ানুপাদু শক খঙনীংঙে হায়বনি"

করিসু থৌশাদনা অনুপমানা - "য়াইয়ে মমা, পপা লৈরিঙৈসিদা ঙসিমক... ফোনসু লৈতবনিনা ময়ূমদা চৎলুরগে পপা।"

"ফজরনি, নুপীনা নুপা কোয়বগী টাইপনিনে। নমাগা পূন্না চৎমিন্নৌ। মীনা ফ্রী থারে খনখিনি।"

"পপা, ঐ পপাগী অয়াবা য়াওরগা পূন্সিগা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলিবীনি। চাদা ৭০দি লোইশিল্লক্লে। ঐ পপাগী মীংচৎ থীনবা থবক অমত্তা তৌরোই-য়ে। অনুপমাবু থাজবীয়ু পপা"

হায়না-হায়না অনুপমা পি নৌথরকই। মপানা পাখৎলদুনা নোকফেৎ তৌনা - "হায়! পপানা ফাগি তৌরগা! নঙ, মিৎকী পিদু হোঙমল্লি, মদুগী রিএক্সনসু লৈবনি। ঐনা ইচানুপীবু থাজে, নঙগী প্লান ইপানা কুপ্না নমাগা তান্নরগা ষ্টদি তৌরি। ইপানা য়ানীংদ্রগবু নঙগী বোইফ্রেন্দ চাক চামিন্নসি হায়গদ্রনে"

হায়না-হায়না মচানুপীবু নুংশিনা মকোক্তা নানবীরি।

"চৎলুরো থেংথখ্রদি মীসু থবক চৎনরম্লনি..."

"নো প্রোব্লেম পপা, ঐ ঙম্নবা পুরক্কে।...উম... ইমাদুদি কৈথেল চৎলম্লনি... য়েস, ঙা লৈবা চঙবদা গাড়ীদা হাপ্লগা পুরক্লগে..."

"হায়! মমাদুসু খঙনরব্রনে নঙবো"। 'নঙ লৈহৌরো মমা' লাউরম্লগা কার থৌদোক্লবা গেরেজ তম্না হাথু-হাথু চৎখ্রে।

অনুপমাগী মপানা খল্লি, মী কনা অমত্তনা তৌনদবা প্লাননি ঐগীসি। মতোমতা পোকপী অনুপমানা নুঙাইনা পূন্সি চূপ্পা হিংহৌনবা মশাগী পূন্সিগী লম্বী মশানা শেমহনবনি। শোয়বা য়াদবা পূন্সিগী থৌদাং অমা মশামক্তা শিন্নরবনিনা ঙসি-ঙসি ফাওবদি ইচানুপী অনুপমাদা কা হেনবা লিচৎ অমত্তা উবা ফংদে। কনাগুম্বা অমদদি মনীং তম্মন্দুনা অরানবা খোঙথাং থাংখিবসু য়ারিপোৎনি। মমাসু, ঐসু ইথৌ চিনবা ঙাক্তনিনা সিনা ফরনি খন্না মশাগী পূন্সিগী লম্বী মশানা শেমহনবনি। মপু মানা চানবীবসু ওইরম্বা য়াই, ঙসিদি মপূং মরৈ ফারবী ইচানুপীসু অখাঙ কনবী ওইনা মমাগুম, মপাগুম মী ওইদবা য়াদে হায়দুনা মহৈ মখা তম্নবা শেম শাবা লোইখ্রে। করিবু থোক্লগবা- তাইবঙ মপু!

কয়া কুইনা ৱাখলদা উংলুরবনো খঙদে, অনুপমাগী মমানা তুংদগী নাশোন পীক্লা- "অঙাংশিং লাক্ত্রিঙৈদা ইরুহৌগদ্রা? করি মোন্দ্রংনো অদুক কুইনা তরং-মালংনরিদুবো?"

"হা! অস, ঐ ইচানুপীগী ৱাখলদা তাওরুরে। ফরে, মোই লাক্ত্রিঙৈদা শেংনা ইরু-মাইথহৌরুরগে, ঈশিং শাহৌরব্রা?"

"ঙসাইনা ঈংলম্লনি..."

"ঙাইখো, মমা!

"ববা! অঙাংশিং য়ৌরকপনা হাল্লনেমী!"

ৱা মখা তাগে তৌরম্বদু তারমদ্রে। ইরুজনবা ইমুংদা চঙখ্রে।

শোমদনা কমদৌরি, অনুপমাদু রাজেসকী য়ূমদা দাইরেক্ট থৌজিল্লুরে। কনা অমত্তা লৈরমদরে, থংনবদা লৈরিবা য়ূমদুদা হংলুসিরা খল্লি, ফজমন্দে খন্দুনা হংলুদ্রে। খল্লি, ইমাদুদি কৈথেলদা লৈরম্বসু য়াই, অদুবু রাজেসতি কদায়দা থিরুনি। পাউ ফাওনফমসু লৈতে। কৈথেলদা ইমাগীদা হান্না চৎলগে খন্না গাড়ী মমায় লৈথোকপগা রাজেসতু থোঙ্গালদগী সাইকল অমা তোংলগা চঙলকপা উরে। নিংশা শাংনা হোন্দোকই, খল্লি- লাক্তি লাক্লেদনা। গাড়ী ষ্টার্ট মুখৎলগা থম্লে, কুমথরে। কনাগী গাড়ীনো খন্না-খন্না চঙলক্লিবা রাজেসতু অনুপমা উবদা খংপ্রেক খংনা সাইকলদু খাম্লগা-

"অস! য়াম্না থাজদনা! করি লৈরে!

"নঙ ফাবা লাকপনি- কাই চৎলুই...?"

"ক্লবনা কোচিং কেম্প তৌরি, অঙাংশিংগী ক্লাস লৌরুবনি..."

"য়াম্না ফৈ। সাইকলদু ইনশিল্লম্মু, থবক অমত্তা চৎলুসি..."

রাজেস ৱা মখা হংদ্রে, প্রপ-প্রপ সাইকল থল্লম্লগা-

"কদায় চৎসি হায়রিনো? ফুরিৎ অমত্তদি হোংখিগেদনা?"

"ফজমনখ্রে, ফজদনতা লৈরদুবু..."

ঙাওনা ঙাওনা থোঙ হাংদোক্লগা গাড়ী ষ্টার্ট তৌখ্রে। রাজেসসু তঙক-তঙক কাখৎখ্রে। গাড়ী থৌনা-থৌনা ময়া খিগৎলগা অনুপমানা-

"ঙসিদি- নকুবোক্লা শকখঙনসি, চাকসু চামিন্নসি হায়দুনা দা রাজেসকা ইমাগা লৌবা লাকপনি। পাউখুম হৈনা খুমজৌকো..."

রাজেস ৱা ঙাঙদে, হেন্না-হেন্না তরং চৎলকপগুমই, তপ্না শোন্থাংননা শোনখি- "লুদৌরিদা!" ●

# হৌগৎলক্লীবা নহাশিংনা ইপাল ফরিঙৈদা মতমগী মমল খঙনা চৎশি

- কাংজম হেমন্ত -

ঐখোয়না লম্বী সুম চৎপদা তুং হল্লগা অমুক-অমুক য়েংই। পুন্সিগী লম্বী লমশাং চৎলকপদসু তাম্না, আদা লাপ্পা লৈহৌরিবা পুন্সিগী হৌখ্রবা ৱারি, থৌদোক কয়া মরক মরক্তা নীংশিংলকই। থৌদোকশিংদু নীংশিংলুবা মতমদা পুক্লিংদা নুংঙাইবা ফাওরকপসু য়াওই অদুগা অৱাবা, পুক্লিং নুংশিবা মতাংসু অদুম ময়াওই। অসুম খঞ্জিল্লুরবদি নুংশিনা লোয়নরম্বা তিন্নরম্বা মরুপ মপাং, ইমুংগী নুংশিরবা ইমা-ইপা, ইবুবোক, ইবেনম্বোক মথং মথং লোইনা মীৎমাংদা চোংথোরকই। মখোয় পূন্নমক অমত্তা উরক্ত্রবা মতমসিদা অমুক খল্লকই, ঐগী পুন্সিনা কয়াম কুইনা হিংখিদৌরিবা? ঈয়াইদা তাউবা কোঙ্গোলগী পুন্সিগা চাংদম্নদুনা ঈশৈ ওইনা কয়া শক্লরি, শৈরেং ওইনা কয়া অমা ইনরি। কনা অমনা পুন্সিবু থম্না থক্তা পকপা ঈশিংগা চাংদম্ননৈ। পোকপা অমদি শিবা অনিগী মরক্তা পুন্সি অমগী শক্তম লৌরগা, ড্রামাগী আর্টিষ্ট অমগী রোল লৌরিবা মীওইবা ঐখোয়সে কয়াদা মরাইবক ফখ্রবা মপোক্লো!ঐখোয় মীওইবগা লোয়ননা হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবা অতৈগা য়েংনবা মতমদা মীওইবনা খ্বাইদগী মরাইবক ফবা অমা হায়বদু ওইরি। ঙসিগী তাইবঙপান অসি মহৌশা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনরকখিবা পুন্সিগী তাঙ্কক্তুগা থাক য়াম্না চাউনা খেন্নরে।

ঙসিদি মালেমসি খুঙ্গং অমগুম য়াম্না নকশিন্নরে। পৃথিবীসে খুবাম্লুংদা লৈরে। ঙরাং নেপালদা হাখিবা যুহা হাবগী পাউ অমদি শক্তম ঐখোয়গী ইমাংদা থোকপগুম খুদক্তা উবা ঙম্লে। কয়াদা চাউনা লাকখ্রবা অহোংবনো? মসি মীওইবা মশেলগী মরক্তা ৱাখল লৌশিং ৱাংবা মীওই য়াওরক্তুনা মখোয়গী ৱাখলনা খল্লগা শেম শাদুনা পুথোরকপা খুৎশু খুৎলায়গী মপান্দগী ওইরকপা ঙাক্তনি। হৌখিবা মতমশিং অদুগী মমল অমদি মতম হায়বসিগী ঈচেল অসিনা তকথরক্তুনা পুরক্লীবা অহোংবশিং অসিগী মগুণ, মতিক ময়াই অসি ঙসিতা ময়েক শেংনা খঙলকই। মদুসু পুন্সিনা য়াচংলক্লবা মতম অসিদনি। অদুঙৈ নহা ওইরিঙৈ শোল্লক্কনি, অহল ওইরক্কনি হায়না নোংমতা খল্লুদবা মতম অদুদা মতম অমদি মসিগী শক্লোন অসিগী মতাংদা করিমত্তা হেক খন্থবা ঙমখিদে।

মসিমদি হায়নিংই, তাইবঙপান অসিদা কুইনা পুন্সিরকপা হায়বসি তোঙান তোঙানবা থৌদোক মখল মখা কয়াগী ৱাখল লৌশিং কয়া থেংনদুনা লাকপনি। অসুম্না ঙসিগী মীরোল অসিনা তুংদা খঙলকপা য়াবা অমদি খল্লক্কদবশিং অসি হেক হেক হায়নিংলকই। মহৌশা ঐখোয়গী ইথক থোংবা অহল-লমনশিং অমদি ইপা-ইমা অমদি মখোয়গা লেঙ্গা ওইবশিংনা ঐখোয়দা ঙাঙলম শক্লম্বশিংদো নিংশিংলকই। খল্লুরগা নিংঙম্লক্তে, পুন্নমক অদো মখোয়গী কান্নগদবা অমত্তা নত্তে, ঐখোয়গী কান্নগদবা ঙাক্তনি। অদুবু মতম অদুদা থোইনা লূম্না লৌরুদে। অসুম্না চেন্থরক্লিবা মতমগী ঈচেল অসিদা ঙসিগী মতমনা পুরকপা অনৌবা লৌশিংগী মঙাল ফংলবা হৈথোই-শিং থোইরবা নহা মীরোল অসিদা ঐখোয়না হায়নিংলিবা ৱাহংশিং অসি মখোয়না খোয়জংনা তানিংগনি হায়বসি পুক্লিংদা লামশিনবা ঙমদে। মখোয়না অঙকপা অনৌবা মতমগী অহোংবা মরক্তা হৌরক চাউরক্তুনা মদুগী চপ চাবা নুংঙাইবা অদু ফংলবা, অমরোমদা মদুমক ঐখোয় হনু মাল্লে চল্লবশিংনা মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রবসু, ঐখোয়না নুমিৎ থা হান্না উরকপা অমা ওইনা ইচম চম্না মসিমদি হায়নিংই। মদুদি মখোয়না মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা নীংবা কায়নিংঙাই ওইরোই হায়রগদি হৌজিক মপাল ফরিঙৈ মতম অসিমক্তদা মতমগী মমল অমদি মতমনা পুরকপা অহোংবশিং অসি মাঙজৌননা মমুৎ তানা খঙহৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। মসিনা মহাক্লা থেংনা ৱাখল তারকপগী নিংঙমদবা অদুমদি ওইরোইদবনি। মতমনা কনাবুসু ঙাইবিদে হায়বসি মীওইবা খুন্নাই অসিনা তঙাই ফদনা খঙফম থোকপনি। শেলগী মমল অমদি পোৎকী মমলদা ঙসিদি কয়াদা চাউনা অহোংবা লাকখ্রবনো। পুন্নমক অসি ঙরাংতগুম খল্লি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ইমা-পাবনা পৈশা ২৫/৫০ পীরগদি হরাওবনা লোইরে, চানিংবা অচাপোৎ নিংথুংনা চাবা ফংই। হৌজিক্তি লুপা ১০গী ভেল্যু লৈরক্ত্রে। কয়াদা শাথিনা খেন্নরক্লিবা।

অসিগুম্বা মতমগী তাঙলবা মমল, হোংলক্লীবা অওনবা অসি সনা লৈবাক মণিপুরদা লৈরিবা সনা লৈবাক্কী লাইগী মচাশিং অসিনা খঙদে। হৌখিবা নৎত্রগা হৌখ্রবা মতম হায়বা অসি অমুক খক হল্লক্লরোইদ্রবনি। ইচুম চুমদুনা লৈরবা কনানসু ককপা ঙল্লরোইদবা ৱাফম অসি কনামত্তনা নিংশিংদে। মসি মীচমশিংগী ৱাদ নত্তে, য়াইতোং খমদোংবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা কোঙ্গাই অমসুনি। মখোয়গুম্বা য়াওগদবা থৌরম অমত্তা মতম চানা ইভিটেশন কার্দতা থারিবা মতম অদুদা হৌবা য়াওদে। অমরোমদা থানখিবা মতম ঙাকচনবা হোৎনবা মীওই খরবু মীয়াম্না মীমান্নদবগুম চিবোন-চিবোন ঙাঙনৈ। কোন্নথংদদি মখোয় অদু ফাওবা ময়ামগী য়েংদুনা মশাগী মাঙহন্নিংদবা মতম অদু মরন্নাইগী শীজিন্নথোক্লগা ময়ামগী ওইবা মতমদা মীরক তিনবা থোক্লরকপা ফাওবা য়াওরবনি। অসুম্না পুং ২৪ অসিগী মনুং থৌরম অমগীদমক অয়ুক্তগী নুংথিল অমদি নুমিদাং ফাওবা কান্নফম খঙবা থবক নত্তবদা মতম মাঙথোকপদা পাম্মুবা ফাওনদে। লমদমসিগী চৎনবীগী থৌদোক ৱাথোক, হৈজিং খরায়, লুহোংবগী মপাম চাক্লৌবা, য়াওশং কুম্মৈ অমদি তোঙান তোঙানবা কুম্মৈ ফীয়োং কয়া অমদা মাঙহল্লিবা মতম। মুন্না খল্লুরবদি মসি খুন্নাইসিগীদমক্তদি মাঙজবা অমনি। ঙসি মণিপুরী খুন্নাইদা নৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক মাঙলিবা মতম অসি কনানা মতিং থোক্লা খনবা অমদি পাম্বোম তিংবা য়াওরিবগে। লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌগা মরী লৈনবদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা নত্রগা লনাই লূপ কয়ানা মহৈলোয়শঙশিং থিংজিল্লকপা য়াওরকপদা মহৈরোয়শিংনা মহৈলোয়শঙগা লাপথোক্লবা তারকই। মহৈরোয়শিংগী পুন্সি তাঙ্কক অসিমুক মমল য়াম্বা লৈতবনি। মখোয়গী পুন্সিদা মহৈ মশিং অনৌবা ৱাখল লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনগদবা মতম অসি মাঙহনবা হায়বসি কৈদৌনুংদা অমুক হল্লক্লরোইদবনি। লাইমক্লসু হঞ্জিনহনবা ঙম্লরোইদবনি। মসিনা মণিপুরী খুন্নাই অসিগী ওইনা মতমগী চাওখৎ লমজেল অসিদদি লীশাং শীৎনা পুথদুনা লৈহৌরগনি। এদ্যুকেশন হায়বসি হিরম খুদিংমক্তা চন্নদবা য়াদ্রবা অমনি। মী অমগী তুংগী করিয়র শেম্বদা এদ্যুকেশননা চৈঙাক ওইগদৌরিবনি। এদ্যুকেশন হায়বসি হ্যুমেন রিছোর্সনি। হৌরক্লীবা মহৈরোয়শিংনসু মতম্থু অরেম্বদা মাঙহল্লোইদবনি। পুন্সিবু খাঙুথক্তা মাঙহল্লিবা ময়াই কাবা নিশাদগী লাপ্না লৈনবা হোৎনসি। সোসল মীদিয়া অসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা কান্নবা মোতিবেশন, নেট ৱাক্কিং, সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি তৌবা য়াই ঐখোয়গী তুংগী কান্ননবগীদমক। টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা ৱাখল লৌশিংশু চাওখৎনবা হোৎনসি মোরেল মাঙথনবা হোৎনগুমসি, হায় টেক্নোলোজি, লো মোরেল্লিটি হায়বদুদি তাহনগুমসি। শান্না-খোৎনবদা পৱার হাউস ওইরিবা অসুম্না এদ্যুকেশন্দসু পৱার হাউস ওইনবা হোৎনসি, অদুগা ঐখোয় অইদিয়া ওফ মণিপুর, কল্লেক্টিভ ভীজন ওফ মণিপুর ওইনবা ঐখোয় হোৎনমিন্নসি। লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক নখোয়গী খুত্তা লৈবনি। অদুনা ঙসিগী হৌগৎলক্লীবা নহারোলশিংনা ইপাল ফরিঙৈ ইমা-ইপানা ঙাক্লৌ পীরিঙৈ মতমগী মমল খঙনা, মতিক চাবা মী অমমম ওইহনবা হোৎনহৌসি। মতিক চাবা মতমগা চান্নবা লৌশিং লৈরবা মতমদা খুন্নাই অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্তুনা চাওখৎলকপগী থাজবা মাঙলোমদা চেনখৎলকপা ঙমগদৌরিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।